অঙাংশিংগী বাইবল

খুদোল তমজরি

# যীশু পোকপা



অইবা: Edward Hughes

অয়েকপা: M. Maillot

শেমদোকপা: E. Frischbutter; Sarah S.

হন্দোকপা: মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম

পুথোকপা: Bible for Children
www.M1914.org

©2019 Bible for Children, Inc.
অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শেন্দান লন্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

থাইনা মমাংঙৈদা, চহি নৌরিবী যিহুদি
লৈশাবী মেরী কৌবী অমগী মনাক্তা
শেম্বীবা মপুনা গাব্রিয়েল কৌবা
সোরারেনগী মনাই থারক্লম্মি।



মহাক্না মেরীদা হাইরম্মি, “নহাক নচানিপা অমা ফঙগনি অদুগা মহাক্কী মমিং যীশু কৌগনি। মহাকপু খ্বাইদগী অঙম্বা অদুগী মচানিপা কৌগনি। মহাক্না মতম পুম্নমক্তা নিংথৌ ওইনা পানগনি।”



লৈশাবী অদুনা য়াম্না ঙকনা হাইরম্মি, মদু মতৌ করম্না ওইথোকপা য়াগনি? "ঐ নিপা কনা অমতগা লোইনখিবা লৈতে।" সোরারেনগী মনাই অদুনা মেরীদা হায়খি অঙাং অদু শেম্বীবা মপুদগী লাক্কনি। মীওইবগী অপোকপা মপা লৈরোই।



সোরারেনগী মনাই অদুনা মেরীদা হায়রম্মি
মদুদি মহাক্কী মখুরাগী মচানুপী এলিসাবেৎসু
অহল ওইরবা মতম অসিদা অঙাং
উনগদৌরি। মসিসু অঙকপা
অমা ওইরম্মি। অসিগী
মতুংদা ইকুই কুইদনা
মেরী এলিসাবেৎ উনবা
চৎলম্মি। মখোয়
পুন্না শেম্বীবা মপুবু
থাগৎলম্মি।



মেরী জোসেফ কৌবা
নিপা অমদা য়ুম পান্দুনা
লৌনা-লৈননবা
হায়না-শিংনরম্মি।
জোসেফনা মেরী
মীরোল্লে তাবদা
ৱাখল য়াম্না ৱারম্মি।
অঙাং অদুগী মপা
অতোপ্পা নিপা অমা
শোইদনা লৈরমগনি
হায়না খল্লম্মি।



মঙদা, শেম্বীবা মপুনা জোসেফতা অসুম্না হাইরম্মি অঙাং অসি শেম্বীবা মপুগী মচানিপানি। যীশুবু নাওরোইবদা মেরীগী মতেং জোসেফনা পাংবা তাখি।



জোসেফনা শেন্বীবা মপুদা থাজবা থমখি অমসুং হায়বা ইল্লম্মি। মহাক্না লৈবাক্কী চৎনা কাংলোনগী চৎনবি ইল্লম্মি। অনৌবা কাংলোনগী মতুং ইন্না, মহাক অমসুং মেরী মখোয়গী খুঙ্গং থাদোক্তুনা, বেৎলেহেম তানা কাংগৎ থিবা চৎলম্মি।





মতম অদুদা মেরী অঙাং উনবগী
মতম ওইরম্মি। অদুবু জোসেফ
কা থিবা ফঙলমদে। মীথুং শঙ
অমতা অহাংবা কা
লৈরমদে।


জোসেফ শগোল শঙ অমা ফঙবা
ঙমখি। মফম অদুদা, অঙাং যীশু পোকখি।
মহাক্কী অপোকপা মমানা মহাকপু শা মচীঞ্জাক
থাকনবা খুদেং মনুংদা
হপতুনা থনম্মি।

অনকপা মফম অমদা, য়াউ শেনবশিংনা তুমদুনা লৈরিবা মখোয়গী য়াউশিং ঙাক-শেন্দুনা লৈরম্মি। শেম্বীবা মপুগী সোরারেনগী মনাইশিংনা মখোয়গী মঙদা উহল্লম্মি অদুগা অঙকপা পাউ মখোয়দা হায়রম্মি।



“ঙসি দেবিদকী অচৌবা খুনজাউদা ইপুরোই খৃষ্ট কনবিবা মপু পোকলে। নখোয়না অঙাং অদু শা মচীঞ্জাক থাকনবা খুদেং মনুংদা হিপতুনা লৈবা থেংনগনি।”




খুদক্তা, মঙাল য়াম্না ঙানবা হেনবা সোরারেনগী মনাই ময়াম থোরক্তুনা,
শেম্বীবা মপুবু থাগৎতুনা হায়রম্মি, “খ্বাইদগী ৱাংবদা
শেম্বীবা মপুগী মতিক মঙাল ওইসনু
অদুগা
মালেমদা ইংথবা, মী
পুন্নমক্তা অফবা
ওইসনু।”

য়াউ শেনবশিং য়াম্না থুনা শগোল শঙ তানা চৎলম্মি। অঙাং অদু উরবা মতুংদা যীশুগী মরমদা সোরারেনগী মনাই অদুনা হায়রম্বা অদু মখোয় মশেল অমগা-অমগা হায়নরম্মি।





নুমিৎ নিফুগী মতুংদা,
জোসেফ অমসুং মেরীনা
যীশুবু য়েরুসালেমগী
নিঙনশঙদা পুরক্লম্মি।
মফম অদুদা সিমিওন
কৌবা নিপা অমনা অঙাং
অদুগী দমক শেম্বীবা মপুবু
থাগৎলম্মি, অদুগা অহল
ওইরবা শেম্বীবা মপুগী
থৌগল তৌবা অনা কৌবা
নিপা অদুসু থাগৎলম্মি।



মখোয় অনিমক যীশু শেম্বীবা মপুগী মচা, থারক্কনি হায়না ৱাশকলম্বা কনবিবা মপু অদুনি হায়বা খঙলম্মি। জোসেফনা উচেক অনি ইৱাৎ পোৎ ওইনা কৎখি। মসি লাইরবশিংনা মখোয়গী নৌনা পোকপা অঙাং ইপুরোইদা কৎথোকপা মতমদা পাংথোক্লবা কাংলোন অমনি।



মতম খরা লৈরগা,
য়াম্না মরু ওইবা
থৱানমিচাক অমনা
নোংপোকলোমদগী
যেরুসালেমদা

লাকপা মহৈ হৈবা মীশিং লমজীংদুনা
পুরক্লম্মি। "নৌনা পোকপা যিহুদিগী নিংথৌ
অদু কদাইদা লৈবগে হায়না মখোয়না
হংলম্মি? ঐখোয় মহাকপু খুরুম্বা পাম্মি।"

নিংথৌ হেরোদনা মহৈ হৈবা মীশিং অদুগী মরমদা তারম্মি। পূক্লিং ৱারদুনা, মহাক্না মখোয়দা হায়রম্মি নখোয়না যীশু হেক ফঙবগা ঐঙোন্দা তম্মু। “ঐসু মবু খুরুম্বা পাম্মি,” হেরোদনা হায়খি। অদুবু মহাক্না মচিন থিরম্মি। হেরোদনা যীশুবু  হাৎপা পাম্লম্মি।



থৱানমিচাক অদুনা মখোয়বু জোসেফ অমসুং মেরীনা পিকলিবা অঙাং অদুগা লোইননা লৈরিবা য়ুম অদু চপ চানা লমজীংলম্মি। খুউ খুদক কুন্দুনা খুরুম্মি, মখোয়না মমল য়াম্লবা সানাগী খুদোল পোৎ অমসুং মনম নুংশিবা থাউ যীশুদা খুদোল ওইনা কৎলম্মি।



শেম্বীবা মপুনা মহৈ হৈবা মীশিং ময়ুমদা লোন্না হনখিনবা হায়রম্মি। হেরোদ য়াম্না শাউখি। যীশুবু তুম্না মাঙহন্নবা, ফত্তবা লৈঙাকপা মপু অসিনা বেৎলেহেমগী পিকলিবা অঙাং নিপামচাশিং লোইনা হাৎখি।





অদুম ওইনমক হেরোদনা
শেম্বীবা মপুগী মচানিপাবু
শোকহনবা ঙমখিদে! মঙদা
তাকলম্বা অদুগী মতুং ইন্না,
জোসেফনা মেরী অমসুং
যীশুবু খুদোং থিবা নঙদনবা
ইজিপ্তা পুরম্মি।

হেরোদ শিখ্রবা মতুংদা
জোসেফনা মেরী
অমসুং যীশুবু ইজিপ্তগী
পুরকখি।



মখোয় গালিলিগী চাংজৌরেন মনাক্তা,
নাজরেৎ কৌবা খুঙ্গং মচা অমদা লৈরম্মি।

যীশু পোকপা

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

মথি 1-2, লুক 1-2

“নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই ।”
ঈশৈ লাইরিক 119:130

অরোইবা

বাইবলগী ৱারী অসিনা মতিক-মঙালনা
থল্লবা ঐখোয়গী শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং ইবুংঙো মহাকপু
ঐখোয়না মশক খঙবা মহাক্না পাম্মি হায়বগী মরমদা ঐখোয়দা তাকপি।

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি, অদুবু শেম্বীবা মপুনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু নহাক্কী অয়োন-অরানগী উশিন ওইনা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। অদুগা যীশুনা অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা সোরারেন্দা কাখি! নহাক্না যীশুবু থাজরবদি অমসুং নহাক্কী অয়োন-অরানশিং কোকপিয়ু হায়না মঙোন্দা হায়জরবদি, মহাক্না শোইদনা কোকপিগনি! মহাক নঙগী পূন্সিদা লাক্কনি অমসুং মহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নবা ফঙগনি।

নঙনা মসি অচুম্বনি হায়না থাজরবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু, ঐ নহাকপু শেম্বীবা মপুনি হায়বা থাজে, নহাক্না তাইবংপান্দা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী অয়োন-অরানগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। ঐগী পূন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী অয়োন-অরানশিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পূন্সি হৌজিক ফঙজগে অমসুং নহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফঙজগে। নহাক্কী হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ! যোহান 3:16